ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, এপ্রিল ১৩, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ০২০শুবা মশীং

# চয়োল অনী লোকদাউন শাংদোরকপা

## তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চখরিবা লোকদাউনগী মওং-মতৌ

খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা থমখিবা লোকদাউনগী মতম চয়োল অনী শাংদোকখ্রে। অহানবা তাঙ্ককী ওইনা মার্চ ২৫দগী হৌরগা নুমিৎ ২১ চুপ্পা থম্লকপা লোকদাউনগী মতম এপ্রিল ১৪দা লোইগদবনি। অদুবু থাংজ নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরগা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানরবা মতুংদা চয়োল অনী মখা তানা লোকদাউন থম্নবা ৱারেপ লৌখি। নুমিৎ খুদিংগী ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কেস মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা মী শিবগী মশীংসু অসুম-অসুম হেনগৎলকপা মরম্না লৈঙাক্কী ফিরেপ অসি লৌরকপনি হায়না থাজনরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ লাউথোক্ত্রিঙৈদা ওরিষা অমসুং পঞ্জাবকী ওইনা এপ্রিল ৩০ ফাওবা লোকদাউন শাংদোক্লগনি হায়না ইরাই নুমিৎতা লাউথোকপা লৈখ্রে। অতোপ্পা পান্থৈ লৈতবদগী ষ্টেট অয়াম্বনা লোকদাউন শাংদোকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। চৈরকসিদা ইষ্টর সন্দে অমসুং চৈরাওবগী য়েংলগা থাংজ নুমিৎতা মণিপুর লৈঙাক্না অখন্নবা দুকান খরা অয়ূক ঙাইহাক থোঙ হাংহল্লগা মীয়ামদা পোৎ-চৈ লৈনবগী খুদোংচাবা পীখি। কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্না মতম শাংনা লোকদাউন থম্লকখ্রবসু ঙাইহাক্তং অথিংবা কোমথোক্লিঙৈগী চৈরক্তা মীয়াম্না সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্তবমখৈ পোৎ-চৈ লৈনখি। মার্চ ২৫দগী লোকদাউন থম্লকখিবা মতমদা লৈঙাক্না মথৌ তাবা পোৎলমশিং মতিক চানা ফংহনখিদবা মরম্না ঙাইহাক্তং অথিংবা কোমথোক্লিঙৈগী চৈরক্তা সোসল দিষ্টেন্সিংগী ৱাফম কাউথোকপমখৈ তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈশিন্নখিবনি হায়বা য়াই। থৌওং অদুমক্না মরম ওইরগা মীয়াম্বু ৱাখল খন্থবা ৱাৎলি হায়না লৌবা লানগদবা মাল্লি। মীপূম খুদিংমক শিবা কিনরিবা ঙাক্তনি। কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা লোকদাউন থমখিবনা চাবা ফংদবদগী চরা হেন্দুনা শিবগী মহুত্তা নোংমা-নীনিদা ওইরবসু পুক থন্না চাহৌরগে খন্দুনা অফং-অফংবা পোৎ-চৈ লৈবা থোক্নরকপা শোয়দনা ওইরমগনি খল্লি। লোকদাউন হেক হাংদোকপদা নোংমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈহৌনবা মীওই কয়া থোক্নরকপা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি। তেল্লবা পুংজা খরখক অথিংবা কোমথোকপনিনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্তুনা লৈরিঙৈদা অপাম্বা পোৎ লৈবা ফংহৌরোইদ্রা হায়বগী মীপাইবা অমসু শোয়দনা পোক্লমগনি খল্লি। অদুম ওইনমক ঙাইহাক্তং অথিংবা কোমথোক্লিঙৈদা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না কৃক-কৃক ইন্নবমখৈ পোৎ লৈনখিবগী থৌওং অদু অচুম্বনি হায়না লৌবসু লানগনি। পাক-শন্না কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক য়ৌনা শন্দোরক্ত্রি হায়বা তারগসু মণিপুরদা হৌজিক কোরোনাভাইরসকী কেস লৈরবনিনা কা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা লোকদাউন তৌবগা ইরোয়ননা মীচম মীয়ামদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংহন্নবগী থৌরাং অমসু লৌখৎপা মথৌ তারে হায়বসি অখঙ-অহৈশিংগী মোৎনি। হৌজিকমক্কী ওইনা লোকদাউন তৌবা নত্তনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী অতোপ্পা পান্থৈ লৈতে হায়বসি পূম্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। মদুমক্না মালেমগী মফম অয়াম্বদা লোকদাউন থম্নরিবনি। অদুবু লোকদাউনগী মওং-মতৌদা লৈবাক অমগা অতোপ্পা লৈবাক অমগা খেন্নবগুম তৌরি। খ্বাইদগী অহানবা ওইনা লাইচৎ অসি শন্দোরকখিবনি হায়না লৌনরিবা চাইনাদা হৌখিবা জন্যুৱারী ২৩দা লোকদাউন লাউথোকখি। মদুগা ইরোয়ননা লৈবাক অদুগী মীওইশিংদা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা ঈ-পাউ অমত্তা ফংহনখিদে। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ অমা শন্দোরক্লে হায়না মীপূম খুদিংমক্তা খঙহন্নবা ওনলাইনদা পাউ পীরকখিবা দোক্টর অমগী সোসল মিদিয়া একাউন্ট ফাওবা থিংজিনখি। লি ৱেনলিয়াং কৌবা দোক্টর অদু মরম চাদনা মীয়ামদা মীপাইবা পোকহল্লি হায়বগী মরালদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফাজিনখি। অকোনবদা দোক্টর অদু কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবদগী শিখি। অদুবু মহাক্না মীয়ামদা মতম চানা পাউ পীনবগী মতাংদা লৌখৎখিবা থৌরাং পূম্নমক চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা অরেম্বা তাহনখি। চাইনাদা হৌজিক হীরম খুদিংমক্তা অঙকপা ফংনা অৱাবা মায়োক্নরে হায়রিবসি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি। অদুবু কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা খক্তনা মরম ওইরগা থাক অসি য়ৌনা ৱাহনবা নত্তে, হীরম খুদিংমক্তা মীচম-মীয়াম শরুক য়াহন্দবা অমসুং চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটেরিয়ন ওইবা মওং মতৌনা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি হায়না থাজনরি। তশেংনা হায়রবদা চাইনাদা হৌজিক ফীভম ফগৎলক্লে অমসুং কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস অমত্তা লৈত্রে হায়রিবসি কদায় ফাওবা থাজনীংঙাই ওইরিবগে হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লে। মসি পূম্নমক মীচম-মীয়াম্বু য়াচল লাক্তুনা ৱাফম অমা ফাওবা ফোঙদোকচনবগী খুদোংচাবা ফংহন্দবনা ওইহল্লকপনি হায়না লৌনরি। অমরোমদা, মপা লৈতনা চাওখৎলে হায়রিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হৌজিক খোঙজেল য়াঙনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগুম তৌরি। লন্নাই মীওইশিংগী নীংতম্বদা লৈঙাক্না কা হেনবা মওংদা খূৎ থিংজিন্দবা অমসুং মীপূম খুদিংমক লোকদাউনগী কাঙলোন নীংথিনা ঙাকহন্দবা মরম্না ফীভম অসি ওইরকপনি হায়না থাজনরি। রসিয়াগী ওইনদি পার্লিয়ামেন্টনা লো অমা পাস তৌরগা লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্তবা অমসুং অরানবা পাউ শন্দোকপা মীওইশিং চহী ৫ ফাওবা জেলদা থম্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। ন্যু জিলেন্দদসু অদু মঙায়রে মার্চ ২৫দগী লোকদাউন থমদুনা লাক্লি। অতেনবা মতমগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী লৈবাক অদুদা থা অমা চুপ্পা লোকদাউন থমখিবনি। লোকদাউন লাউথোকখিবা মতমদা ন্যু জিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, "লুরবা তানফম অসিদা লৈঙাক্না মীপূম খুদিংমক অৱাবা তাহন্দনবা হোৎনগনি। মীয়াম্নসু মশা-মশাগী থৌদাং লৌবা ওইনা য়ূমদগী হেন্দোকপীগনু।" ৱাফম অসি লাউথোকখিবা নুমিৎতগী লৈঙাক্না লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চান-থক্নবা পোৎলম ফংহন্দুনা লাক্লি। মীয়াম্নসু মশা-মশাগী শোয়ফদ্রবা থৌদাংনি খন্দুনা লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্তুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনদি ফীভম অসিগী তাইওন্নবা মওংদা লোকদাউন লাউথোকখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদবা পোৎলমশিং নীংথিনা ফংহনবা ঙমদবগুম তৌরি। মদুনা মরম ওইরগা ঙাইহাক্তং লোকদাউন কোমথোক্লিঙৈদা মীপূম খুদিংমক্না সোসল দিষ্টেন্সিংগী ৱাফম থাপ্পা থমখ্রগা অফং-অফংবা পোৎ-চৈ লৈনবা হোৎনহৌবা মশানা তাবনি। লোকদাউন মায় পাকহনগে হায়রবদি মীয়ামগী তঙাইফদনা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মতম চানা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ

ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q. চহাও চুজাক হৌরে। খুকউমুক ৱাংলে অদুবু মসা য়াম্না লোংই। অয়াম্বা পান্থী মখৈ মসা লোংবা থেংনৈ। মসি করি তৌরগা ফগদগে? পোত্থোক খরা হেনগৎনবা করি করি তৌবা তাবগে হায়বদু খঙজনীংই।

- গুলাপী হৈগ্রুজম

☞ মচিঞ্জাক ৱাৎপা মতমদা তোয়না থেংনবা ৱাফমনি। মখোঙ খোপচিনবা মতমদা য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ২৫, পোটাস কিলোগ্রাম ১০ অমসুং বুষ্ট কিলোগ্রাম অনী য়ানশিন্নবীরগা শঙম অমা চাউবা চুজাক থাফমদা হাপ্পা কোন্নগনি। পান্থীগী মখোঙদা খরা খরা হাপ্লগা মখোঙ খোপচিনবীয়ু।

কাংখুল অমমমদা পান্থী অমদগী হেন্না থন্থীগনু। মসাশিংসু লৌথোকপীয়ু।

Q. ফৌ লিংখিবা নুমিৎ ২১নি শুরে। অদুবু পান্থীশিংদু চাউবা ইহেন হেনগত্তে। মনাশিং ঙৌরি ঙৌরি তৌদুনা লৈ। মনা মতোনসু ইকং কংই। মসি করিনা থোকহল্লিবনো খঙনীংই অমসুং শীজিন্নবা য়াবা হীদাক্না হায়বীরকউ। চথোক চৎশিন্দা অকায়বা লৈবনা ঐখোয় শ্বাইদা ফংবা য়াবা হীদাক হায়বীরক্লগদি হেন্না নুংঙাইজগনি।

- এম খেল্লেন্দ্রো
শুগ্নু

☞ তীলনা ওইগনি। ইঙেল্লাই চুবী অমসুং হয়িং তীল অনীনা অয়াম্বা মতমদা লাইওংদু ওইহল্লি। তীলনাসিগী চপ চাবা হীদাক্তি Speed নি। অদুবু মনাক অদুৱাইদা ফংবা য়াবা হীদাক Chlorphyriphos 20% EC মিলিলিটর ৩০ ঈশিং লিটর ৩০ খুদিংদা য়ানশিল্লগা পান্থীশিংগী মনা চোৎনবা কাপথোকপীয়ু। ফৌ পান্থীশিং পিক্লিবা মরম্না শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক মিলিলিটর ১০০না কোন্নগনি।

Q. কফোয় অমসুং হৈনৌশিং চেকখায়বসি ঐগীদা তোয়না থেংনৈ। মসিবু করি করম তৌরগা চেকখায়হন্দবা য়াগদগে? হৈশিং অসি হৌজিক্তি ভেল্যু য়াম্না হেনগৎলে, তাঙলে মাঙহনবা অমত্তা য়াদ্রে। করি তৌরগা ফগনি খঙজনীংই।

- ওইনাম চুরা সিংহ
উপোকপী বিসনুপুর

☞ বোরোন ৱাৎলগা চেকখায়বনা অয়াম্বনি। মসিগীদমক নাইট্রোবোরেক্স মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্থীগী মনা, মউ, মশা, মহৈ পূম্নমক চোৎনবা কাপথোক্কনি। হান্না চেকখায়খিবদুদি ফহনবা ঙম্লরোই। অদুবু অনৌবা পাল্লকপা হৈশিংদি চেকখায়ররোই। মফোল ওইনা লাকপা বোরেক্স ১০% ওইনা শীজিন্নরবসু য়াই। গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোক্কনি।

অহানবা কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫নি লৈরগা অনীশুবা ওইনা অমুক কাপথোক্কনি।

Q. ঐগী গ্রীন হাওস মনুংদা খামেন অশিনবা থাই। অদুবু উচি চংশিনখিবদগী উচি মশীং হেনগৎলক্তুনা থিবা ৱারে, মকোল শাজিল্লে, লৈবাকসু য়াম্না হুৎলে। মসি ফহনবা য়াবা অরায়বা পান্থৈ অমত্তা খঙজনীংই।

- য়ূম্নাম জুগিন্দ্রো
ৱাংজিং তেকচম লৈকায়

☞ Rodenticide শীজিন্নসি। মীওইবদা শোক্তবা Bromadiolone য়াওবা কেকশিং কৈথেলদা মরাং কায়না ফংই। খুদম ওইনা Roban Cake । মসি মতেক মতেক থুদেকপীরগা চেনা কাবক কাবক য়োমশিনবীরগা নৎত্রগা ৱাগী উতোং মতেক (উচি চংবা চনবা) অমগী মনুংদা হাপ্পীরগা হুৎলিবশিংদুগী মনাক্তা থন্থীয়ু। হীদাক চারবা মতুং ঈশিং থকনীংলক্কনি। থক্নবা ঈশিংনা খরা থাপ্পা থন্থীয়ু। গ্রীন হাওস মনুংদা অদুম থমসি। ঈশিং থকফম মনাক্তুদা অদুম শিরনি। অশিবা উচিদু হুই-হৌদোংনা চারবসু মখোয়দা করিসু শোকহল্লোই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,**

**ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং**

**চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**

**চিঠি থারকফম**

**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**

**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**

**নৎত্রগা**

**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# ঈশিংগী ঈমাইদা তাওদুনা হৌবা কান্নরবা কঙ 'এজোলা'

**- এস সুমঙ্গল -**



চাং খঙদনা শীজিন্নরিবা লৌউ হীদাকশিং, চাং চাদনা মতম খঙদনা শীজিন্নরিবা খূৎশেমগী হারশিং, অখাকপা লৈতনা য়ান্থৎলিবা উপাল-ৱাপালশিং, কোকথোক্লিবা উমং-ৱামংশিং অসিনচিংবা মীওইবনা চখরিবা থৌওং কয়া অসিনা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অঈং-অশা, নোংজুগী ফীভমদা চাং নাইরক্তবা অসিনচিংবা কয়া থোক্লরে হায়বসি মীয়াম্না তোয়না ঙাঙনরিবা মীৎমাঙদা উরবা ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইরগা লৌউ-শিংউদা পীরক্লিবা অকায়বা কয়া অসিসু মীৎমাঙদা তাদুনা লৈরবা থৌওংনি। মসিবু মতম চানা চুমথোকহৌদ্রগদি তুংদা কিনীংঙাই ওইবা মওংদা লাক্কনি হায়নরিবনি। হায়রিবশিং অসিবু চুমথোক্কবা হায়দুনা অখঙ-অহৈ কয়া অমনা চাংয়েং কয়া চখুদুনা মাগী মাগী ৱাখল্লোন পীনরি।

ৱাখল্লোনশিংদুগী মনুংদা ওর্গানিক ফার্মিং হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিমক য়াম্নমক চুম্লবা ৱাখল্লোন অমনি হায়জনীংই। ওর্গানিক ফার্মিং তৌবদা তোঙান তোঙানবা মহৈ-মরোং পান্থীশিংগী তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনৈ। মরু ওইরিবা থৌরমশিংগী মনুংদা থারিবা পান্থীগী মচিঞ্জাক কাঙলোন চুম্না পীদুনা পান্থীদুবু মশা মউ ফহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবগা লোয়ননা চারিবা মীওইশিংদা হকচাং শোকহন্দবা হায়বসি য়াম্নমক মরুওইবা ৱাফম অমনি।

ঙসিগী খূৎইসিদা থমজরিবা 'এজোলা' হায়রিবা কঙ মখল/মখলশিং অসি পান্থীশিংগী মরু ওইনা ফৌ পান্থীগী মচিঞ্জাক পীবদা য়াম্নমক মরু ওইবা থৌদাং লৌহনবা য়াবা পান্থীনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী পান্থী অসিগী মরমদা অখঙ-অহৈ কয়ানা তাকপীরম্লবা কান্নরবা ৱাফম কয়া ঙসি ফাওবা কনানসু থৌশাবীদবগুম তৌরি। হায়রিবা কঙ মখল অসিগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম কয়া য়েংমিন্নসি।

কঙ মখল অসিনা, মখল খেন্নবা অমদি মাগী মচিঞ্জাক ফংবগী চাংগী মতুংইন্না নুংশিৎতা য়াওবা পান্থীগী মরুওইবা মচিঞ্জাক মচল নাইট্রোজেন হায়রিবা অসি নিংথিনা চাং ৱাংনা ফাজিন্দুনা কুম (সিজন) অমদা লৌ পরি অমদা কিলো ৩০-২০০ ফাওবা হাপচিনবা ঙম্মী। কয়া য়ামখ্রবা চাংনো? মসি য়ুরিয়া কিলো ৬৫-৪৩৪ হাপ্পগা মান্নবা চাংনি। কঙ মখল অসিগী মনুংদা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা য়াম্নমক চানবা মখলদি এজোলা *পিন্নাতা* হায়রিবা মখল অসিনি হায়রি। মসি মণিপুরগী ঈশিং তুংদুনা লৈবা মফম অয়াম্বদা হৌবা থেংনৈ। মণিপুরগী কংলা পার্ক্কি শাংলবা কংলাবু ইকোই কোইনা খা অমদি নোংচুপ্তা লৈরিবা ঈশিংগী ঈমাইদা মতম মতমগী ওইনা কুপশিন্দুনা হৌরিবা কঙ অদুমকনি। কঙ মখল অসিগা অতোপ্পা মখল এজোলা কেরোলিনিয়ানো হায়রিবা মখল অনী অসি নিংথিনা থাদুনা শীজিন্নবগী অচৌবা খুদোংচাবা লৈ। *কঙ মখল অসিগা মতম পূম্নমক্তা পূন্না হিংমিন্নবা অলগী অনাবেনা এজোলা কৌবা মখল অমা লৈ। অলগী মখলসিনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা এম্মোনিয়াদা ওন্থোকপা ঙম্মী। অসুম্না এজোলাগা আনাবেনাগা পুল্লবা গ্রাম ১০০ খুদিংগী নাইট্রোজেন গ্রাম ০/৫, ফোস্ফোরস গ্রাম ০/৫, কেলসিয়ম গ্রাম ০/৫ গা লোয়ননা আইরন গ্রাম ০/৪৫ পীবা ঙম্মী হায়রি।*

অসিদসু নত্তনা এজোলাদা কান্নরবা মচল কয়া অমসু য়াওরি। শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবসু য়াম্নমক কান্নবা পীরি। ঙানু, য়েনদা পীজবদা মশা ফৈ, মরুম কোকপা হেল্লি। মখোম থোকপী ষণদা পীজবদা মখোম থোকপা হেল্লি।

এজোলাদা চাদা (%) য়াওবা মচলশিং য়েংসি :

নাইট্রোজেন - ২/৩৮%

ফোস্ফোরস - ০/৫১%

পোটাসিয়ম - ২/৭৫ - ২/৩৮%

কেলসিয়ম - ০/১ - ১%

মেগ্নেসিয়ম - ০/৫ - ০/৬৫%

আইরন - ০/১৬ - ০/২৬%

ক্রুদ ফেট - ৩-৩/৩৬%

সোলুবল সুগর - ৩/৪ - ৩/৫% অতৈ অতৈ

**এজোলা শীজিন্নবগী মওংশিং :**

পুখ্রি মচা মচা শেমদুনা এজোলা চারা শেমগৎপা য়াই। নৎত্রগনা খোংবান লুক্লাংশিংদগী খোমদুনা শীজিন্নবা য়াই। মিটর ২ পাকপা, মিটর ২০ শাংবা ফুৎখাই অমত্তং লুবা পুখ্রি মচাশিং শেমদুনা অসিগুম্বা পুখ্রি অমদা ষন্থি কিলো ১০ ঈশিং লিটর ২০দা নিংথিনা থিৎলগা হৈজিল্লবা মতুংদা ঈশিং ইঞ্চি ১০ লুনা থল্লগা এজোলা খরা (কিলো ২-৩) থাদদুনা য়োকখৎপা য়াই। চয়োল খুদিংগী শরুক ২-৬ ফাওবা য়ামখৎপা ঙম্মী। অসুম্না শেমগৎলবা চারাশিং তোঙান তোঙানবা মওংদা লৌফমদা ফৌগা থামিন্নবা, শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইবা, কম্পোষ্ট শেম্বনচিংবদা অদুমক শীজিন্নবা য়ারে।

**ফৌগা থামিন্নবা :**

ফৌ লিংলবা মতুংদা এজোলা খরা লৌফমগী মচি-মচিদা থাদবা মতমদা চয়োল অমগী মনুংদা এজোলা কিলো ৫০০গী চাংদা য়ামখৎলকপা থেংনৈ। নুমিৎ ২০-২৫নিগী মনুংদা লৌফমগী ঈমাই পূম্বা কুপশিনবা থেংনগনি। মসিনা ফৌগী চাথোক অসি চাদা ১৫-১৭ হেনগৎপা ঙম্মী।

**ফৌগী লৌফমদা গ্রীন মেনুর ওইনা শীজিন্নবা :**

ফৌ থারমদাইদা লৌ পরি অমদা টন ২০গী চাংদা খোইজিন্দুনা ফৌ থাবা মতমদা য়ুরিয়া হাপত্রবসু ফৌগী চাথোক নিংথিনা ফংবা ঙম্মী। ফৌগী লৌফমদা য়োকখৎলকপা খুদোং চারগনা পরিদা কিলো ১০০০-১৫০০ থাদদুনা য়োকখৎলগা, অতোপ্পা মফমদা য়োকখৎলগা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদগী থিদুনা ফৌ থারমদাইদা খোইজিন্দুনা ফৌ থাবদা চাথোক নিংথিনা ফংই।

**কম্পোষ্ট শেম্বা :**

নিংথিনা শংলিবা এজোলা খোমজিন্দুনা কম্পোষ্ট শেম্নবা কোমদা পৈশিনবা মতমদা নুমিৎ ২৫-৩০নিগী মনুংদা অমুবা অফবা কম্পোষ্ট ওনবা ঙম্মী। মসি অকঙবদা থাবা পান্থীশিংদা হাপ্তুনা পান্থীশিং নিংথিনা ফহনবা ঙম্মী।

**শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা :**

শঙ্গোম থোকপী ষণদা অতেকপা এজোলাগা অতোপ্পা মচিঞ্জাক্না তঞ্চাই য়ান্দুনা পীজবা মতমদা শঙ্গোম ১০-১২% হেনগৎপা ঙম্বগী পাউদম লৈ।

অসুম্না কান্নরবা কঙ পান্থী মখলসি শীজিন্নবগী চাংদি য়াম্নমক হন্থরি। হৌজিক্কী ওইরক্লিবা মালেমগী ফীভম অসিদা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং, ওর্গানিক ফার্মিংনচিংবা পাঙথোকপা মতমদা পান্থী অসিগী থৌদাং য়াম্না লৈ হায়বসি পূম্নমক্না খঙমিন্নসি। ●